# ই এস সি, চিঙ্খেহুনবা অমদি নোংচুপ পানা শগোল কাংজৈ লুপ মায় পাকখ্রে

POLO



*নোংচুপ পানা শগোল কাংজৈ লুপ (এ) অমদি নাগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লব(বি) না শান্নখিবা মেটচ*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা ২৯ শুবা এন হজারি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব (এ) নোংমৈবুং, চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপাল অমদি নোংচুপ পানা শগোল কাংজৈ লুপ (এ) লাংজিং মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব (এ) নোংমৈবুংনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব (বি)বু পাঞ্জল ১৬–২ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু এ কেমেরুনা ৬, বসন্তনা ৭, মোচানা ২ অমদি মুহিন্দ্রোনা অমা চনখিবনি। থাংমৈবন্দগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা চাওবনা অহানবা চক্রদা চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা চিঙ্খেহনুবা পোলো ক্লব (এ)না মৈরাবা পোলো ক্লব (বি) খোয়াথোংবু পাঞ্জল ১১–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। চিঙ্খেহুনবগী পাঞ্জলশিং অদু এল অতাংবা সিংহনা ৫, এল লোকেশ্বর সিংহনা ৩, ৱাই রোমেন সিংহনা ২ অমদি ৱাই সুরজনা অমা চনখিবনি। মৈরাবগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা সি ঐচ অজিৎ সিংহনা অনীশুবা চক্রদা চনখিবনি।

অহুমশুবা শান্নখিবা মেটচতা নোংচুপ পানা শগোল কাংজৈ লুপনা নাগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থীবা পীখি। নোংচুপ পানাগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ রিসিকান্তনা ৩, এম রোসন অমদি প্রকাস ভান্দারিনা অমমম চনখিবনি। নাগামপালগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা এস সরতননা অনীশুবা চক্রদা চনখিবনি।

# মণিপুরগী য়ু–১৪ হোক্কী টিম লক্ষনৌ পাঙখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ* লক্ষনৌদা থা অসিগী ২৪ দগী ফেব্রুৱারি ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া কে দি সিংহ বাবু অন্দর ১৪ বোইজ হোক্কী চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদগী ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা সমজাইনা লমথাখ্রে।

লমথাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ থোইবা সিংহ অমদি এসোসিয়েসন অসিগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱাঙ্খেমচা সমজাইনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী টিম অসিনা মায় পাক্কুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইসনু হায়না মঙ্গল আর্শিবাদ পীখিবগা লোয়ননা শান্নরোইশিংনা থৌনা লিংজেল পুথোক্কুনা য়াম্না কন্না শান্ননবগী পাউতাক পীখি। ওজা গুরুগী য়াথং মতম লৈবা খিবিক্তা কাওথোক্লোইদবনি।

থোইবনা ফোঙদোকখিবদা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোইশিংগী ওইনদি অসিগুম্বা চেম্পিয়নসিপ অসি য়াম্না মরু ওই। ভারতকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা শান্নরোইশিংসু ঐখোয়গা চপ মান্নে খন্না শান্নগদবনি। অফবা শান্নরোইশিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্সশিং অদু ঐখোয়না তমশিনহৌনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ওফিসিয়েল অহুম য়াওনা মেম্বর ২১ না শাবা টিম অদুদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা ৱাই শ্যামসন মৈতৈ, টি ঐচ সুরজ সিংহ, দিফেন্দরদা এম সুসান্তা, টি বার্লিন সিংহ, এন বুংবী, আই রোহিদ, এস চিঙ্খেঙানবা, মিদ ফিল্ডরদা এম জেক সিংহ, এন মার্জিৎ সিংহ, কে ঐচ সোমিকান্তা, দব্লিউ নিরজকুমার, এম দি অব্দুল মটলিফ, ফোরৱার্দতা ৱাই বিদ্যানন্দা, কে কেকে শর্ম্ম, সি ঐচ ভিক্টর অমদি এ সুরেশ শর্ম্মনি।

টিমগী কোচ অমদি এসিষ্টেন্ট কোচনা এম ব্রোনসন অমসুং কে এস ঐচ লালমনিনি। মেনেজরনা এন রঞ্জিৎ মৈতৈনি।

# নাপসা খা ইম্ফালনা দি এস য়ুবু রন ৭৯ দা থোইখ্রে

CRICKET



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ* লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাপসা খা ইম্ফাল কৈশাম লৈকাইনা দি এস য়ু বু রন ৭৯ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নাপসানা টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবা মেটচ অদুদা টিম অসিনা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৯০ লৌখি। ইনিংস অদুদা টি ঐচ বিপিননা বোল ৭২ দা রন ৭৫, এল রতনকুমারনা বোল ৪২ দা রন ৩৯, টি ভোগেননা বোল ৪০ দা রন ৩২ অমদি ই শান্তনা নোট আউট ওইরগা বোল ১৪ দা রন ১৫ লৌখি। দি এস য়ুগী বোল্লর কৃষ্ণকুমারনা ৱিকেট ২ অমদি জোতিননা ৱিকেট অমা লৌখি।

দি এস য়ুনা অনীশুবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২১.৫ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ১১১ খক লৌবদগী রন ৭৯ দা মায়থীখিবনি। ইনিংস অদুদা ব্রোজেননা বোল ৩৫ দা রন ৩২, কৃষ্ণকুমারনা বোল ১৩ দা রন ১৩ অমদি রিতিকুমারনা বোল ৯ দা রন ১০ লৌখি। নাসপাগী বোল্লর গৌতম অমদি ভোগেননা ৱিকেট ৩ / ৩, পুথিবা অমদি শান্তনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেন ওফ দি মেটচনা নাপসাগী বেটচমেন বিপিনা তাখি। হয়েং সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা ব্লু হোক খুরাইগা শান্নগনি

# সি এস সিগী মঙালসনা অমদি মহেশনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



*স্বিমর এল মহেশ*



*স্বিমর এম মঙালসনা মৈতৈ*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ* সেন্ট্রেল স্বিমিং ক্লব (সি এস সি) ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপালদগী হৌখিবা শান্নরোই এম মঙালসনা অমদি এল মহেশ মৈতৈনা মহারাষ্ট্রগী নাসিক্তা থা অসিগী ১৮ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা এজ গ্রুপ অমদি নেস্নেল ট্রাইথলোন / এক্কথলোন চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ দা মেদল কয়া লৌখ্রে।

এম মঙালসনানা হন্দক্কী চেম্পিয়নসিপ অদুদা কর্নাতাকাগী মহুৎ শিন্দুনা সব জুনিয়র গ্রুপকী এক্কাথলোনদা গোল্ড লৌখি অদুগা এল মহেশনা ওপনগী কেটাগোরিদা সার্ভিসেসকী মহুৎ শিল্লগা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ অমমম লৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি এল মহেশনা মমাং চহীদা মধ্যাপ্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেস্নেল চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড লৌরকখিবা শান্নরোইনি হায়না সেন্ট্রেল স্বিমিং ক্লবকী সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ৱাই পি ও সোরানা সেনা কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ* ৱাই পি ও সোরানা ১৫ শুবা সেনা কপ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী তাং ৫ দগী টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই পি ও সোরানা য়ু বি এস এ মন্তকপু টাই ব্রেক্তা গোল ৬–৫ দা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মেটচ অদুদা টিম অনীনা অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ২–২ চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী টাই ব্রেক্লা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখিবদা ৱাই পি ওনা গোল ৪ অমদি য়ু বি এস এনা গোল ৩ চল্লগা মেটচ অদু ৱাই পি ওনা ৬–৫ দা মায় পাকখিবনি।

অপীবা মতমগী মনুংগী ৱাই পি ওগী গোল অনী অদু অলি খাননা ১৩ অমসুং ৬১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

য়ু বি এস এগী গোল ২ অদুনা এদিসন অমদি রঙনা ৫ অমসুং ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

টাই ব্রেক্কী ৱাই পি ওগী গোলশিং অদুনা ফিরোজ খান, জষ্টিন লামত অমদি অলি খাননা চনখিবনি। য়ু বি এস এগী গোলশিং অদুনা এদিসন, চুং অমদি নৈফালনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা আই ৱাই এগী হেনবা, বেষ্ট ষ্ট্রাইকরনা য়ু বি এস এগী সেন, বেষ্ট মিদফিল্ডরনা এস দব্লিউ সি ৱাইখোংগী রিসিকান্তনা, বেষ্ট দিফেন্দরনা আই ৱাই এগী পৃথিবানা, বেষ্ট গোলকিপরনা ৱাই পি ওগী নুংজামিননা অমদি টোপ স্কোররনা ৱাই পি ওগী অলি খাননা তাখি। মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচনা ৱাই পি ওগী তসলিমনা তাখি।

বেষ্ট মেনেজরনা আই ৱাই এগী এন ধনচন্দ্র অমসুং ফেয়র প্লে ট্রোফিনা এ ভি ও ককচিংনা লৌখি।

## দেবলা ট্রোফি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চত্থরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এস এস সি খাঙবোক অমদি সন সেট্টর টোপ মায় পাকখ্রে। অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এস এস সি খাঙবোক্লা ৱাই ভি এ ৱাঙজিংবু রন ১৬ তা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা সন সেট্টর টোপনা দালাস শগোলবন্দবু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## রোবার্ট ফিজিয়ো থেরাপিষ্ট হাপখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ ঃ* মিজোরামগী আইজোলদা থা অসিগী ২৭ তগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৮ শুবা নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ সন্তোস ট্রোফি নোর্থ ইষ্ট জোনদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর টিমগী ফিজিয়ো থেরাপিষ্ট ওইনা টি ঐচ রোবার্ট সিংহবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা হাপখ্রে।

## রেফরি ফিজিকেল ফিটনেস টেষ্ট

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ফেব্রুৱারি ৯ দা ইম্ফালদা রেফরিশিংগী এন্যুল ফিজিকেল টেষ্ট অমদি অবগ্রেদ অমসুং ফ্রেসকী ওইবা একজামিনেসন পাঙথোক্লগনি। দি এস এ অমদি দি এফ এ শিংনা একজামিনেসন অসিদা শরুক য়াগদবা রেফরিশিং লিষ্ট ফেব্রুৱরি ৪ ফাওবগী মনুংদা থাগৎলক্কদবনি হায়রি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*